# ইদুকেসন সিষ্টেম ফগৎলবতদা নুংশিনা লৈমিন্নবা ঙমগনি... টেলিস



মশা মশাগীতা খন্দুনা হিংনরক্লবা মতম অসিদা চমজরবা মীওই কয়াদি মৈথত্তা লৈবা থন্দবা চাক চফুগুম্লে, য়েংলু-য়েংলুবদা অৱাৎপনা পীক থল্লে। সনাগী মরুম কোকপী উচেক্লি হায়না চাউথোকচরুবা কয়াদু ঙসিদি মীৎমাংদা ইকাইবা অমা য়াওশিল্লক্লে। লমদম অসি কনানা পাল্লিবনো হায়বসু ভাব তাশিল্লক্ত্রে। অঙম-অঙম্বনা শেৎ-শেৎতুনা চান্নরক্লবা অশোনবনা কোইচেন চেন্দুনা হিংলিবা লমদম অমা ওইরে হায়বসি হায়মনবা থোক্লোই হায়না খল্লি। পুম্নমক অসি কদাইদগী অমদি করিদগী থোরক্লিবনো হায়বদু খঙনা-খঙনা উনা-উনা খঙদবগুম মীৎতাংবগুম মৈথত্তা পুন্না হিংমিন্নরি। হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিদগী অহোংবা পুরক্লবা হোৎনমিন্নদ্রবদি চাকখুমগী ঙায়োক চফুদা লৈবা ঙাগুম হিংমিন্নবা তাবনি হায়না ৱারেপম টেলিসনা মহাক্কী ওইবা ৱাখল্লোন থল্লক্লি।

ৱারেপম টেলিস হাওবম মরক ঙাঙোম লৈকাইদা লৈবা লৈখিদ্রবা ৱারেপম মধুসুদোন অমদি ৱারেপম ওংবী সুনিতা দেবী অনীগী ৪ শুবা মচা ওইনা ইং ১৯৯৭ গী ফেব্রুৱারী তাং ২৩ শগোলশেল নুমিৎতা ফংজখিবীনি। মতম লৈবা খিবিক্তা মোমোন মীনোক নোক্তুনতা লৈবী, অহল-লমনবু ইকাই খুম্ননা চৎচবী মহাক্কী নুংশিবা মগুন অসিদা মীয়াম্না মহাকপু নুংশিনা লোয়নবিবনা মঙোনদা হেন্নদুম ৱাখল লৌশিং তানশিনজনবগী খুদোংচাবা ফংলি। মশানা মশাবু চেৎনা থাজজবী জগোই, ঈশৈ অমদি এক্টিংবু পামজনা হৌরকখিবী টেলিস মশাগী চহী নৌজরবসু মহাক্কী ৱাঙাংনা মহাকসি অখাঙ কনবী অমদি ওইরিবা লৈবাক্কী ৱাথোকশিংদা থম্মোয় শোক্না নুংঙাইজদবী নুপী অমনি হায়বা খঙবা ঙম্লি।

টেলিস মহাক্না পামজরিবা জগোই, ঈশৈ অমদি এক্টিংগী লমদা ওজা নাইনা তমদ্রিঙৈ স্কুলগী মতমদা স্কুলগী ওইবা ফঙ্কসন কয়াদা ষ্টেজ পার্ফোমেন্স কয়া উৎলকখি। মহাক্কী অপাম্বা অসিনা ইদুকেসনগী লাইনদা শোয়রক্কদ্রা খন্দুনা অপোকপী মমানা মচাগী অপাম্বা লম্বী অদুদা মখা তানা খোঙদাহনখিদে। অদুবু অপোকপীগী তোঙানবা ৱাখল্লোন অমদি লৈরমদবা নত্তে। টেলিসকী হৈথোই-শিংথোইবা কয়া অদুবু মাঙহন্নিংদবনা টেন পাস তৌরবা মতুং জৱাহরলাল নেহরু মণিপুর দান্স একাদেমী (জে এন এম দি এ) দা মীং চনশিন্দুনা মচাগী অনীংবা অপাম্বদু থুংহন্নবা হোৎনবদা চাউরবা থৌদাং লৌবা হৌরকখি।

হিয়াংথাংদা লৈবা কমখ্যা পেমতোনদা ইদুকেসনগী ওইবা লাইনদা বি এ ফাষ্ট সেমিষ্টর তম্মা-তম্মা জে এন এম দি এ দা দিপ্লোমা সেকেন্দ ইয়র ফাওবগী মহৈ তানশিনবা ঙমখ্রে। রূপমহল, চন্দ্রকৃতি ওদিটোরিয়ম, কংলা, হিয়াংথাং অমদি বিজয় গোবিন্দনচিংবা মফম কয়াদা মহাক্কী হৈজবশিং অদু পার্ফোমেন্স উৎপা ঙমখিবদা নত্তনা চৎলিবা চহী অসিগী হৌখিবা মে ১১ দা বংলাদেশতা পাঙথোকখিবা '৪ শুবা ইন্টরনেসনেল কনফরেন্স ওন মণিপুরী লিটরেচর এন্দ কলচর' দসু শরুক য়াখি। মসিনসু লোয়বা নৎত্রি, গুনিন্দ্রানা দিরেক্সন পীবা মণিপুরী ফিল্ম 'নিঙোল্লাকপা' অমদি পোপ্পর বি কে গা লোয়ননা ফেটো বুলনা দিরেক্সন পীবা মণিপুরী এলবম 'খল্লরোই' দা ফিমেল এক্টর অমা ওইনা শক্তম লাংখ্রে।

তুংগী পুন্সিদা মহাক্না পামজরিবা লম্বী অসিদা প্রোফেসর অমা ওইগে হায়না নিংলিবী টেলিসকা শান্নখিবা ৱারী খরদা অসুম্না...

সুরঃ তুংগী পুন্সিদা প্রোফেসর অমা ওইগে খল্লিবসি করিগীনো? টেলিসনা পামজরিবা লম্বী অসিদা প্রোফেসর অমা ওইগে হায়বা তারগদি করম্বা মহৈগী থাকপু মায়োক্লবা তঙাইফদে হায়না খল্লি?

টেলিসঃ দান্স হায়বা সবজেক্টসিদা প্রোফেসর অমা ওইনিংলুবদি তুংগী মীরোলদা নিংহন্নবা লৈতনা মপুং ফাবা নোলেজ পীনিংবা অমদি আর্ট এন্দ কলচরনসু লমদম অসিসু শক্তাক্লি হায়বসি হেন্না ময়েক শেংহন্নিংবগীনি। জে এন এম দি এ দা পি জি লোইশিনবা অমা চঙই। পি জি হায়বসিদা লাই হরাওবা অমদি রাস লীলা ওইগদবনি। মসি লোইরবা মতুং এময়ুদা এম এ অমদি পি ঐচ দি লোইশিনবা চঙই। পি জিদা লাই হরাওবা লোইশিনবা তারগদি এম এ অমদি পি ঐচ দি দা রাস লীলা লোইশিনবা চঙই হায়বসি ঐগী ওজাশিংনা তাকপীবদগী খরদি খঙবা ঙমজৈ।

সুরঃ লাইরিক তম্মা তম্মা অতোপ্পা শিনফম অমদসু লামশিনবসিদা করি অৱাবা মায়োক্লবগে? মতৌ করম্না মেনেজ তৌবগে?

টেলিসঃ লাইরিক ঙাক্তা তম্বসু চুমদ্রা হায়না খল্লি। মী অমনা পামজরিবা অফবা লম্বী অদুসু মায় পাক্লবা হোৎনবা হায়বসিসু তঙাইফদ্রা হায়না খল্লি। পামজরিবদুদা চৎলিবনি হায়দুনা ইদুকেসনগী মঙাল য়াওদ্রবদি মদুসু অরেম্বা ওইনা থোক্কনি হায়নিংই। লাইরিক শোয়গনি খন্না পামজরিবদুসু থাদোকপা চুমদে, পামজরিবা অদুমক খল্লগা লাইরিক থাদোকপদুসু চুম্লোই। ঐগী ওইনদি অনীমক্তা পুক্লিং, থৱায় অমদি হকচাং য়াওনা হোৎনবদুনা চুমগদ্রা খল্লি। মসি খঞ্জদুনা হপ্তা অমগী মনুংদা নুমিৎ ৪ নি জে এন এম দি এ দা অদুগা নুমিৎ ৩ নিনা কোলেজদা, মসিনি হৌজিক্কী ওইবা ঐগী পুন্সি খোঙচৎ হায়বদু।

সুরঃ লৈবাক্কী ওইবা ৱাফমদা ৱাহং অমা অনীদং! নুপীগী মপোক্তা পোক্লুবনা নুপীগী মরীদা ওইনা হংজগে। লমদম অসিদগী আর্ম ফোর্সেস স্পিসিয়েল পৱার এক্ট ১৯৫৮ লৌথোক্লবগীদমক শীদ্রিফাওবা চরা হেনগনি হায়দুনা খোঙজং চঙশিল্লিবী ইরোম চনু শর্মিলানা লীশাংশিংনা শাংলবা চহী ১৬ চরা হেন্দুনা লাকখিবদা মহাকপু লমদম অসিগী মীওইখক নত্তনা মপানগী মীওইশিংসু মশক খঙনখি। অদুবু চরা হেনবগী খোঙজং অসি তোকথোক্লগা রাজনিটিদা খোঙদারগনি হায়না থাংজিল্লক্লিবা খোঙথাং অসিদা করি মত লৈবগে?

টেলিসঃ ইরোম চনু শর্মিলানা লৈবাক অসিগীদমক খন্দুনা শীদ্রিবা ফাওবা মহাক্না তাল্লিবা পান্দম অসিদা চরা হেন্দুনা পান্দম ফংনবা হোৎনরকখি। চহী শাংনা চরা হেল্লবা ফাওবা পান্দম ফংদে হায়দুনা খোঙফম হোংবা হায়বসি চুমদব্রা হায়না খল্লি। মরমদি ইচে অসিবু মীয়াম্না শক খঙনখিবসি শীদ্রিফাওবা চরা হেন্দুনা লৈবাক্কীদমক সেবা তৌগনি হায়দুনা চঙশিনখিবা খোঙজং অদুদনি। অদুবু হন্দক মীয়াম্না খল্লুদবা মায়কৈ অমদা ইচে শর্মিলানা চরা হেনবা তোকথোক্লগা রাজনিটিদা খোঙদারকপা হায়বসিদি ঐগী ওইনদি থম্মোই শোকই।

সুরঃ লমদম অসিগী মমোমলোয় মনোরামাগী পুন্সিগী ৱারীদি তারম্লগনি হায়না খল্লি। থোকখিবা থৌদোক অদুদা করি ফাওবগে?

টেলিসঃ লমদম অসিদা লৈরিবা মীয়ামসিবু ঙাকপী শেনবীনবনি হায়দুনা লৈরিবশিংনা মীয়ামদা ওনশিন্দুনা চিকই হায়বসি ইচে মনোরামাগী থৌদোক্তুনা তাক্লবনি। ইচে মনোরামানা অহানবসু নত্তে অদুগা অকোনবসু ওইরম্লোই হায়না খল্লি। ইকাইনবদগী হায়দোক্তুনা লৈশিন্নখিবনা অয়াম্বসু ওইরমগনি হায়নসু খল্লি। অসিগুম্বা থৌদোক্তা চেন্নরিবশিং মীয়াম মাঙদা তমথিবা চৈরাক পীবনা হেন্না চুমগদ্রা হায়না খল্লি। মরমদি তমথিরবা চৈরাক অদুবু উরগা তুংদা অমুক হন্না অসিগুম্বা থৌদোক অসি থোক্তনবা।

সুরঃ লৈবাক অসি কনানা ঙাক্লিবনো? ঙাক্লিবশিংনা কদাই ফাওবা নিয়ম চুম্না ঙাক্লি হায়না খনবগে?


টেলিসঃ লৈবাকসি কনানা ঙাক্লি হায়বদুদি হায়বা ঙমদে। অদুবু অঙম-অঙম্বনা ঙাক্লি হায়বা তারে। ঙাক্কদবা মীওইশিংদি ঙাক্লি হায়বা ৱাহৈদুতমক মঙাইরেদা।

সুরঃ মীওই কয়াগী চিনবান্দা লৈবাকসি লো লৈতবগা চপ মান্নরে হায়নরি। লো কায়দনবা মীৎকুপ নাহুম শিংনা লৈগদৌরিবসি কনানো, লো থুগাইরিবসিনা কনানি হায়না খনবগে?

টেলিসঃ মীয়াম্না শোন্নবা হায়বসিমক্তংবু কয়াম লাল্লমগনি হায়বগে। লো ঙাক্তুনা অমদি লো কায়দনবা মীৎকুপ নাহুম শেন্নগদৌরিবসি মপী-মপা ওইবশিং অমদি য়ুনির্ফোম শেৎপা কাঙবুসিরা হায়না খল্লি। অদুবু য়াম্না নোক্লিংলিবদি লো কায়দনবা মীৎকুপ নাহুম শিংনা লৈগদবা মখোয়না লো অসিবু মখোয়-মখোয়গী ফুরিৎ খাওদা য়াওবা শান্নপোৎকুম্না খনব্রা খঙদে। লো ঙাক্কদবা মখোয়নদুম লো থুগাইদুনা চৎলি। খুদম ওইনা হায়রবদা লম্বীদা য়ুঙাওবা অমা লাকপা মতমদা শেল লৌহৌনবা হোৎনবা, ফুবীবা অমদি তাথিবা ৱাহৈনা চৈ থাংবা হায়বসিদি শোয়দ্রে। মসি লোগী মনুং চনব্রা? লোগী ৱাংমদা লৈব্রা হায়বদু ট্রেনিংদা তম্বীরক্তব্রা হায়না খল্লি। জ্ঞান তানবা হোৎনবীদুনা মতুংদা অমুক হন্না তৌদনবা ফজবা ৱাহৈনা মীওই অদুবু ঙাংবী-শকপীরবদি তুংদা পুলিস অমদি মীয়ামগী মরক্তা থাজনবা অমদি নুংশিনবা হায়বদু শোয়দনা লাক্কদ্রা হায়না খল্লি।

সুরঃ অরোইবা ৱাহং ওইনা, লমদমসিদা চরাংনরিবশিং অসি করি তৌরগদি ইংনা চিক্না পানগনি হায়না খল্লি?

টেলিসঃ ইদুকেসন সিষ্টেম ফগৎলবতদা নুংশিন্ননা লৈমিন্নবা ঙমগনি। ইংনা চিক্না পানবা ঙমগনি হায়না খল্লি।











Printed and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd from Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: H. Achouba Sharma, Jt. Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com